# হায়দ্রবাদ এফ সীনা য়াম্না লাকচনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে






পনাজি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সি): গোৱাগী টিলক মৈদান ষ্টদিয়মদা ঙসিনুমিদাংপুং ৭.৩০ তাবদগী শান্নবা হৌখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৭০ শুবা মেটচতা হায়দ্রবদা এফ সীনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৪-০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে। মেটচ অসিগী ওইনা হায়দ্রবাদ এফ সীগী ওগবেচেনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমদুনা হেট ট্রিক ফংখি।

টিম অনীগী মরক্তা অহানবা হাফকী শান্নবা হৌখ্রবা মতুং হায়দ্রবাদ এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা হায়দ্রবাদ এফ সীনা মেটচ অদুগী ১৭ শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা বোল চন্নবা হোৎনখি। অদুবু মখোয়না কাউশিল্লকখিবা বোল অদুইষ্ট বেঙ্গলগী প্লেয়রশিংনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেটচ অসিগী ২১ শুবা মিনিটতা হায়দ্রবাদ এফ সীগী চক্রবর্টিনা পীরকখিবা ফজরবা বোল অমা ওগবেচেনা কন্ট্রোল তৌদুনা কাউশিল্লকখি। বোল অদুকিপ্পরনা ফাবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনখি। মেটচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী সেম্বোইহাউকীপনা পাঞ্জল চল্লগে খন্দুনা হায়দ্রবাদ এফ সীগী গোল পোষ্টতম্না বোল কাউশিল্লকখি। অদুবু মহাক্না কাউশিল্লকখিবা বোল অদুকিপ্পরনা য়াম্না লায়না ফাখি। মেটচ অদুগী ৪৪ শুবা মিনিটতা হায়দ্রবাদ এফ সীনা অমুক হন্না অকনবা কাউন্টর এটেক চথদুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা অমুক চনখি। পাঞ্জল অদু টিম অসিগী অদিল খান অমসুং সিভেরোনা এসিষ্ট তৌরগা ওগবেচেনা চনখি। পাঞ্জল চনখিবা অদুগী ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৪৫ শুবা মিনিটতা হায়দ্রবাদ এফ সীনা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। পাঞ্জল অদু টিম অসিগী অনিকেট য়াদবনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনসু মেটচ অদু হায়দ্রবাদ এফ সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মসিনা মরম ওইরগা ইষ্ট বেঙ্গলনা পাঞ্জল চন্নবগী খুদোংচাবা কা হেন্ন ফংখিদে। অমরোমদা হায়দ্রবাদ এফ সীগী প্লেয়রশিংনা হান্নদগী হেন্না থৌনা ফনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৭৪ শুবা মিনটতা অমুক হন্না ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক অমা চথদুনা অমুক হন্না পাঞ্জল ১ চনখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অসিগী ওইনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা ওগবেচেনা চন্দুনা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল ওইদুনা হেট ট্রিক ফংখিবনি। মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা ইষ্ট বেঙ্গলনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু হায়দ্রবাদ এফ সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা নংখি।

# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপ : ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিং পোজিটিব ওইরকপদগী মেটচ য়ৈথোকখ্রে



মুম্বাই, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সি): ঙসি নাভি মুম্বাইদা লৈবা দি ৱাই পাটিল ষ্টদিয়মদা এ এফসী ৱিমেন্স এসিয়ান কপকী শরুক অমা ওইনা চাইনিজ টাইপৈ অমসুং ইন্দিয়ান টিম অনীগী মরক্তা ফুটবোল মেটচ শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদু ইন্দিয়াগী প্লেয়র মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপা য়াওবদগী য়ৈথোকখ্রে হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া টিমগী মায়কৈদা শান্নরিবা প্লেয়র অমদি ওফিসলশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা য়াওরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবা মতুং মেটচ অদু শান্নখিদবনি। প্লেয়র অমদগী হেন্না পোজিটিব ওইরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মরম অদুনা গ্রুপ এ গী ওইনা ঙসি চাইনিজ টাইপৈগা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা মেটচ অদুদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়ান টিমগী মায়কৈদগী প্লেয়র ১৩ গী মমিং চপ চানা পুথোকপা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী টিম ঙসি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মেটচ শান্নবা ঙমখিদবগা মরী লৈননা মখা তাবা মেটচশিং শান্নবা য়াখিগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এ এফ সীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা এ এফ সী কম্পিটিসন মনুংদা এপ্লাই তৌবা য়াবা চৎনা-কাঙলোনশিং লৈরি। মদুগী মতুংইন্না ফিরেপ লৌগনি। হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবগীদমক এ এফ সীগী মরী লৈনবা কম্মিটিশিংদা খঙহনখ্রে। টিম অনীগী ওইবা মেটচ শান্নখিদ্রবসু অতোপ্পা মেটচশিংদি হান্না লেপখিবা মতম অদুদা অদুম্মক শান্নগনি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান টিমগী মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। এ এফ সী মেদিকেল টিমনা লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়খি।

অমরোমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পাটেলনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি থোক্লিবা থৌদোক অসি ইন্দিয়ান টিমগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি। লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী মেটচ য়েংগদবগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনরিবা মতম অসিদা মেটচ শান্নবা ঙমখিদবা অসি নুংঙাইতে। টিম অসিগী মরী লৈনবশিংনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনরবসু প্লেয়রশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা য়াওরকখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌওং অমনি। মতৌ করম্না প্লেয়রশিং অসিদা পোজিটিব ওইরক্লিবনো, মখোয়না চেকশিনদবগীরা হায়না থিগৎপগী মতম নত্তে। হৌজিক মথৌ তারিবদি প্লেয়রশিং অসিগী হকচাং ফনা লৈহনবা অদুনি। ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংগীদমক এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লেপকনি। হন্দক থোকক্লিবা থৌদোক অসি চেকশিন্দবগীনি হায়না মরাল শিবসু লানগনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী চৈথেং মালেমগী মীয়াম খুদিংনা মায়োক্নরিবনি হায়না প্রসিদেন্ট পাটেলনা মখা তাখি।

# থাঙ তাগী কাঙলোন থাঙলোনগী ওইবা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পুৱারীগা শগোন্নদুনা লাক্লবা থাঙ তাগী য়াম্না মরু ওইবা কাঙলোন অমা ওইরিবা থাঙলোনবু ঙসিগী মীরোলশিং মরুওইনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা নহাশিংদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা হৈবোক নিংথৌ থাঙ তা এসোসিএসন, হিয়াংথাং তাখেল্লম্বমনা শিন্দুনা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙলোন পাঙথোল্লগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এস ঐচ শ্যামানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কনি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি কোভিদ-১৯ গী চৎনা-কাঙলোনশিং ঙাক্লা হিয়াংথাংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী সিন্দমশঙদা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিদা থাঙ তা মহৈগী অকুপ্পা মরোলশিং খঙ হৈরবা ওজাশিংনা থাঙলোনগী মরমদা তাকপী তম্বীগনি লোয়ননা থাঙ তাগী তোঙান তোঙানবা কাঙলোনশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা থাঙ তা সিন্দমশঙশিংগী মহৈরোয়শিংনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা পাউজেল্লকপগা লোয়ননা হিয়াংথাংদা লৈবা ওফিস অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়রি।

# আই সী সী ক্রিকেটর ওফ দি য়র ২০২১গী টাইটল মন্ধানাদা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সি): ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহীগী ওইনা পীবা আই সী সী ক্রিকেটর ওফ দি য়র ২০২১ গী টাইটল নুপীগী ওইনা ইন্দিয়াগী ষ্টার বেট্টর স্মৃতি মন্ধানাদা পীরকখ্রে অদুগা নুপাগী ওইনা পাকিষ্টানগী প্লেয়র শাহিন শাহ অফ্রিদিনা ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপী ক্রিকেটর মন্ধানানা মমাং চহীদা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২২ শান্নখি। হায়রিবা মেটচশিং অসিদা নুপী ক্রিকেটর অসিনা পুন্না রন ৮৫৫ লৌখি। মদুগী মনুংদা সেঞ্চুরি অমা অমসুং হাফ সেঞ্চুরি ৫ য়াওরি। মহাক রাচেল হেয়ি ফ্লিন্ট ট্রোফিগী শোর্ট লিষ্ট থোকপদসু মহাক্কী মমিং য়াওরি। ট্রোফি অসিগীদমক শোর্ট লিষ্ট থোরকখিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা ইংলেন্দগী টামি বিমোন্ট, সাউথ অফ্রিকাগী লিজেল লী অমসুং আইরলেন্দগী গেবি লেৱিসকী মমিং য়াওরি।

মমাং চহীদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমগী ওইনা য়াম্না ফজবা মেটচশিং শান্নবা মীয়াম্না উনখিদে। অদুবু শান্নখিবা মেটচশিংদা নুপী ক্রিকেটর মন্ধানানা উৎখিবা পর্ফোমেন্সশিংদি য়াম্না ফজখি। সাউথ অফ্রিকাদা শান্নখিবা মেটশিংদা নুপী ক্রিকেটর অসিগী মতেংনা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙমখি। সেকেন্দ ও দি আইগী ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা মন্ধানানা রন ৮০ য়ৈদুনা ইন্দিয়া টিমনা মায় পাকপদা চাওনা মতেং ওইহনখি।

আই সী সী ৱিমেন্স ক্রিকেটরগী টাইটল অনীরক ফংবা ঙন্বী নুপী প্লেয়র অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মন্ধানানা অহানবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দসু টাইটল অসি মহাক্না ফংখি।

অমরোমদা পাকিষ্টানগী বোলর শাহিন শাহ অফ্রিদিনা আই সী সী মেন্স ক্রিকেটর ওফ দি য়র ২০২১গী টাইটল ফংবা ঙমখ্রে। মমাং চহীদা মহাক্না শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩৬ তা পুন্না ৱিকেট ৭৮ লৌবা ঙমখি। মালেমগী ওইনা হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা পাকিষ্টানগী বোলর অসিসু অমা ওইরি। পাকিষ্টানগী ওইনসু চহী নৌরিবা প্লেয়র অসি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা প্লেয়র অমা ওইরি। পাকিষ্টানগী হান্নগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটরশিংনা চহী নৌরিবা প্লেয়র অসিনা মতম খরগী মতুংদা লৈবাক অসিগী ক্রিকেট টিমগী কেপটেন ওইরক্কনি হায়না হৌখিবা থা খরগী মমাংদা ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

# ৱিন্টর ওলিম্পিক্সকী মাঙওইননা কোভিদ-১৯ গী টেষ্ট পাঙথোক্কনি

বৈজিং, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্সকী মাঙওইননা লৈবাক অসিদা কোদিভ-১৯গী মতাংদা অকনবা চেকশিন থোংরাংশিং লৌখত্তুনা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লি হৈঙে মরক অসিদা ওলিম্পিক্স পাঙথোক্কদবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ানকিংগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপা থেংনখ্রবা মতুং মফম অদুদু লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ২ রোম চয়োল অনীগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোল্লগনি হায়না বৈজিং সীটিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং চাইনানা লৈবাক অসিদা মথং থাদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা অয়েৎপা পীহল্লক্তনবগীদমক অকনবা চেকশিং থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখিবনি। চাইনাগী তোঙান তোঙানবা সিটি খুদিংমক জেরো কোভিদ পোলিসিগী মখাদা থবকশিং হৌখিবা থা ৪গী মমাংদগী পায়খৎপা হৌখ্রে। অদুবু লৈবাক অসিগী মফম খরদা লায়না লায়চৎ অসি শন্দোকপা অদুম্মক থেংনরি। অমরোমদা ফেব্রুৱার ৪ দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্সতা কোভিদনা অয়েৎপা ওইহন্দনবা হোৎনগনি হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): চীঙাখম জেট লিনা ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ২০২১-২০২২ গী ওইনা টোপ আইট রেঙ্কিং সিনিয়র মেন ফেন্সিং টিমগী অহানবা রেঙ্ক চল্লত্তুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবদা ক্যামগৈ য়ুথ পাইওন্যির ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না জেট লি ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দগী চীঙাখম শরত অমসুং চীঙাখম ওংবী অয়িংবী লৈমগী মচানুপানি। মতুং তারকপদসু মহাক্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

# ক্লাসা অমসুং এস এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন এন্দ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসলটর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ১৪ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসানা এম এবু ২-০ দা অদুগা এ এফ সীবু এস এস য়ুনা পাঞ্জল ৭-৬তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা ক্লাসা অমসুং এম এ টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচকী অহানবা হৌগৎলকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমদুনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মখিদে। অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং হৈ শিংবা মান্নখিবনা মায় পাকপা ঙম্মখিদে। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নদুনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী ০-০ দা মান্ননা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী শান্নবদসু টিম অনীনা বোল পায়বগী চাং অদুম্মক মান্ননা লৈখি। অদুবু হাফ মতুংগী শান্নবা হৌখ্রবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা ক্লাসানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমদুনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংবা হৌরকখি। মেটচ অসিগী ৭৯ শুবা মিনিটতা ক্লাসাগী লুনমিলেন (১৮) না মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুগী এক্সট্রা টাইমদা ক্লাসাগী মোনিস (১০) না এম এগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ অমুক চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

নুংথিল পুং ২.০৫ তাবদা এ এফ সী অমসুং এস এস য়ু টিম অনীগী মরক্তা লীগ অসিগী ৬৬ শুবা মেটচ শান্নখি। মেটচ অসিগী ওইনা টিম অনীনা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নখি। মসিনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মখিদে। মেটচ অসিগা অহানবা হাফকী ১২ শুবা মিনিটতা এস এস য়ুগী টি ঐচ সুরজ মৈতৈ (১১)না মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী ৭৩ শুবা মিনিটতা এ এফ সীগী সহিদুর রহমন (১১) না পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১ দা মান্নখিবদগী পেনালটি কাউনখি। মদুদা এস এস য়ুনা পাঞ্জল অমা হেন্না চন্দুনা মায় পাকখি।

# এফ সী তেন্থা অমসুং এস দব্লিয়ু সী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): ইরেংবন্দ হায়স্কুল গ্রাউন্দদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৫ শুবা ৯-এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এফ সী তেন্থা অমদি এস দব্লিয়ু সীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নরিবা লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ তাবদা এফ সী তেন্থা অমসুং এস এম দি সী সোরা টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ শান্নবদা টিম অনীনা য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনিটতা এস এম দি সীগী মায়কৈদগী হৈনা শিংনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী রিয়াজ খাননা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা হাফকী মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এফ সী তেন্থানা পাঞ্জল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা শান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী জেমস (২)না পাঞ্জল ১ চনবা ঙমদুনা মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা ১-১ দা মান্ননা লৈখিবদগী পেনালটি কাউনখি। মদুদা তেন্থা এফ সীনা এস এম দি সীবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখিবনি।

নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ইরেংবন এফ সী অমসুং এস দব্লিয়ু সী টিমগী মরক্তা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনসু টিম অনীনা য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখি। অমনা অমবু পাক হেক লাকশিনবা ঙম্মখিদে। পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্মখিদে। টিম অনীগী প্লেয়রশিংনা হৈনা শিংনা চাং মান্ননা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। তুংদা টিম অনীগী মরক্তা কাউনখিবা পেনালটিদা এস দব্লিয়ু সীনা ইরেংবন্দ এফ সীবু পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখিবনি।

# ইরোম মৈজ্রাওদা নুমিৎ ৫ চুপ্পা চথরকখিবা থাঙ তা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা মঙান থাঙ তা লূপ, ইরোম মৈজ্রাওনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা থাঙ তা ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লূপ অসিগী সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম বিশেশ্বর মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লোইশিনবা নুমিৎকী থৌরম অদুদা কোদোংপোকপী জিলা পরিষদ লোইতোংবম ওংবী প্রমোনা অথোইবা মীথুংলেন, লাইরেঞ্জম মৈজ্রাও গ্রাম পঞ্চায়টৱার্দনম্বর ১০গী মেম্বর সৌগ্রাকপম রানি চনুনা থৌরম মপু অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েন লাঙলোন থাঙ তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইলাংবম ইনাওবী, এক্স জিলা পরিষদ লোইতোংবম সুরচন্দ্র অমসুং থাঙ তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন, থিয়াম লৈশাংখোঙ য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী প্রসিদেন্ট থিয়াম কোরানা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এক্স জিলা পরিষদ লোইতোংবম সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, থা ঙ তা শান্নরিবা মহৈরোয়শিংনা মখোয়বু তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিং অমদি মথক থোংবশিংদা ইকাইখুম্নবা অমদি থৌগল্লোন উৎপা য়াম্না মথৌ তাই। ওজাশিং অমদি মথক থোংবখক নত্তনা মীপুম খুদিংমক্তা ইকাইখুম্নবা উৎকদবনি। অমনা অমবু ইকাইখুম্নবা উৎপা ঙমদ্রবদি তংদু লৈতানা লৈবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্লোই। শান্নবা হায়বসিদা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি দিসিপ্লিননি। থাঙ তা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগী থকশি খাসি নাইবা লীচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদগী লৈমায়দগী থাঙ তা মুৎপা ঙমদনা লৈরিবনি। হৌখিবা চহী খরগী মমাংদা লৈরম্বা থাঙ তাগী ফিভমদগী হৌজিক্লা য়াম্না ফরে। থাঙ তা শান্নবগী মশিং হেনগৎলক্লে হায়খি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মখল মখা কয়াগী কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু উৎখি।

# লিভরপুলনা খৃষ্টল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে




লন্দন, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সি): লন্দনগী সেলহর্ষ্ট পার্ক ষ্টদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা লিভরপুলনা খৃষ্টল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা মথং রাউন্দগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু অমনা অমবু কা হেন্না লাকচনা শান্নবদি ওইখিদে। মেটচ অদুদা বোল পায়বগী চাং লিভরপুলনা চাদা ৫৭ ওইখি অদুগা খৃষ্টল পেলেসনা চাদা ৪৩গী চাংদা ওইখি। অহানবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপদা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদুগী ৮ শুবা মিনিটতা লিভরপুলনা খঙহৌদনা খৃষ্টল পেলেসকী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা হোৎনখি। অদুবু খৃষ্টল পেলেসকী প্লেয়রশিংনা হৈনা শিংনা বোল অদু থৎখি। অদুবু বোল অদু আউট ওইখিদুনা লিভরপুলনা কোরনর কিক কাউবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি।

কোরনর কিক অদু দিফেন্দর এন্দি রোবর্টসননা কাউরকখি। মহাক্না কাউরকখিবা কোরনর কিক অদু টিম মেট ভান জিকনা হেদিং তৌশিন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ৩২ শুবা মিনিটতসু রোবর্টসননা পীরকখিবা ফজরবা পাস অমা টিম মেট ওক্সালেদনা হৈনা শিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা ফারবা মতুং গোল পোষ্ট তম্না কাউশিনখি। মহাক্না কাউশিনখিবা বোল অদু খৃষ্টল পেলেসকী কিপ্পরনা থিংবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লিভরপুলনা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৫ শুবা মিনিটতা খৃষ্টল পেলেসনা কন্না হোৎনদুনা লিভরপুলগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অসিগী অমিগো লিওনগী মতেংনা ফ্রেন্স ফোরৱার্দ ওদসননা চনখিবনি। মেটচ অসিগী ৮৬ শুবা মিনটতা লিভরপুলনা পেনালটি কাউনবগী তাঞ্জা অমা ফংখিবা অদু অমুক হন্না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ৩-১ দা লৈখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী লিভরপুলনা ৩-১ দা মায় পাকখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 357

**Hoffmann,Micha1 (2508) - Rioseco Pinochet,F (2226)**
**8th Gibtelecom Masters Caleta ENG (1), 2010.01.26**

1.d4 Nf6 2.c4 c5 3.g3 e6 4.Nf3 d5
5.cxd5 exd5 6.Bg2 Nc6 7.O-O Be7 8.Nc3 O-O
9.Bg5 cxd4 10.Nxd4 h6 11.Bf4 Bg4 12.h3 Bh5
13.Nf5 Qd7 14.Nxe7+ Nxe7 15.Be5 Rad8 16.Bxf6 gxf6
17.Qd4 Qe6 18.e3 Nc6 19.Qh4 Qe5 20.f4 Qxe3+
21.Kh2 Bg6 22.f5 Bh7 23.Rf4 Rd6 24.Nxd5 Rxd5
25.Rg4+ Bg6 26.Bxd5 Qd2+ 27.Bg2 Ne5 28.Rf4 Bh7
29.Qxf6 Qxb2 30. ...

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 356 Ans. :**

26. ...Qh4+ 27. Ke2 Rxg2+ 28. Kd3 Rxc2 29. Kxc2 Ke7 30. Rh1 Qf2+ 31. Kd3 Qxf3 32. Raf1 Qg2 33. Rhg1 Qxa2 34. Rxg7+ Kd6 35. Rc1 e4+ 36. Kd4 Rb4+ 37. Kc3 Kxc5 38. Rc2 Qxb3+ 39. Kd2+ Kd6 40. Rf7 Qd3+ 41. Kc1 Qxe3+ 42. Rd2 Qe1+ 43. Kc2 Rc4+ 44. Kb3 Qxd2 45. Rxf6+ Ke5 46. Rf3 Qc2+ 47. Ka3 Ra4#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com